# ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্তগী মেদল মশীং হেন্না লৌগে হায়রবদি অখন্নবা থৌরাং খরা তৌবা চঙলি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা শান্নবুং অমা ওইরিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগুম্বা কন্ত্রি অমদি ঙসি ফাওবদসু খোঙ নিংথিনা কানশিল্লুবা ঙমদ্রি। কুমজা ১৯০০ দগী এথলেট থাদুনা সম্মর ওলেম্পিক্সকী মশক খঙহল্লক্লবসু মতম ফনা শাংনা কুমজা ১৯২০ ফাওবা কম্পিটিসন্দা যাওবা ঙম্লকখিদে। অদুবু হায়রিবা চহীদুদগী ইন্দিয়ন ওলেম্পিক মুভমেন্টকী অকনবা ঈহৌ অমদি শাগৎলকপা হৌরকখি। শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওজবা মীওই খরনা স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা হোৎনরকখি। দোরাব টাটা, এ জি নোইহেরেন (মদ্রাজ কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন), ঐচ সি বক (মদ্রাজ কোলেজ ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন) মোইনুল হগ (বিহার স্পোর্টস এসোসিএসন); লেট কোলোনেল ঐচ এল ও গেরেট্ট (গভর্ণমেন্ট কোলেজ লাহোর, পঞ্জাব ওলেম্পিক এসোসিএশন) সাগনিক পোদ্দার (সেন্ট ষ্টেফেন স্কুল) হায়রিবা মীওইশিং অসিনা নেসনল গেমসনচিংবদা চাওনা তেংবাঙ পীরকখি। লোয়নননা শক্লাইরবা মীওইশিং মহারাজা ভুপেন্দ্রর সিংহ (পটিয়ালা), রঞ্জি (নৱনগর), মহারাজ কপুরথালা মহারাজা বরদ্বাননচিংবা পেট্রোন ওইদুনা অচৌবা তেংবাঙগা লোয়নননা ইন্দিয়াদা স্পোর্টস য়োকখৎলকখি। কুমজা ১৯২৪ দা তৌখিবা পেরিস ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী এথলেট থাদুনা শরুক যাবা হৌরকখি। পেরিস ওলেম্পিক্তা চৎখিবসি এথলেটিক্স মশান্নগী এথলেট তরেৎ, টেনিস শান্নরোয় তরেৎ, টিম মেনেজর ওইনা হেরি বকনি।

কুমজা ১৯২৭ তদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন শেল্লকপগা ইরোইননা ইন্দিয়াদা স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা হেন্না ফবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলকখ্রে। নেসনল গেমস পাঙথোক্লুবা হোষ্ট টিমনচিংবা খন্দুনা নিয়ম অমগী মখাদা চত্থবা হৌরকখ্রে।

নেসনল গেমসতা অফবা পার্ফোমেন্স পীখিবা শান্নরোয় খনগৎতুনা ওলেম্পিক গেমসতা থাননবসু হোৎনরক্লে। মতৌ অসুম্না কুমজা ১৯২৮ দা তৌখিবা নেসনল গেমসতগী এথলেটিক্সকী ওইনসু শান্নরোয় তরেৎ খন্দুনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নরুনবা ওলেম্পিক গেমসতা থাবা হৌরে। কুমজা ১৯২৮ দা ইন্দিয়ন হোকি ফেদরেসনগী ওইনসু হোকিগী অফবা টিম শেম্বা ঙম্লকপা তাঙ্কক অমা ওইদুনা ওলেম্পিক্তা শরুক যাবা হৌরকখি। চহীদুদা ইন্দিয়ন হোকি টিম্না সনাগী মেদল লৌরকখি।

চহীদুদগী হৌরগা (কুমজা ১৯২৮ দগী ১৯৫৬) থংনা থংননা তরুক্লক সনাগী মেদল লৌবা ঙম্লকখি। কুমজা ১৯৩২ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্তদি হোকিগী টিমদা নত্তনা এথলেট মরি অমনে, স্বিম্মর অমনে শরুক যাখি। অদুবু হোকিখক্তদা মেদল অমখক পুরকপা নত্তনা ইন্দিয়ানা অহেনবা মেদল পুরকপা ঙমখিদে।

## ওলেম্পিক গেমসদা ইন্দিয়া

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

কুমজা ১৯৩৬ কী বর্লিন ওলেম্পিক্তদি হোকি টিমগা লোয়নননা রেসলর অহুম বর্মিজ ৱেথলিফটর অমা, ওফিসিয়েল অহুম, টিম মেনেজর ওইনা জি দি সোনধিগা শরুক য়াখি। বর্লিন ওলেম্পিক ১৯৩৬ অদুদসু হোকিদা গোল্ড মেদল অমা লৌরকপসি নত্তনা অতৈদা মেদল ফংলকখিদে।

কুমজা ১৯৪৮ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসতগীদি ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না শান্নরোয় ৫০ গী অচৌবা দেলিগেসন অমা থাবা হৌরকখি। অদুবু ওলেম্পিক মেদল মশীং হেনগৎনা ফংবদি ঙম্লকখিদে। হোকিখক্তদা মেদল ফংদুনা শাংলবা চহী কয়া লাকখি। কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলেম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল অমা (হোকি) লৌরবা মতুংদা কুমজা ১৯৮৪ দগী ১৯৯২ ফাওবা ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লাকখি। মদুগী মখা তারকপদসু কুমজা ১৯৯৬ অমসুং ২০০০ দসু ব্রোঞ্জ মেদল অমমমদগী হেন্না লৌরকপা ঙমখিদে। কুমজা ২০০৪ দসু শুপ্নতংগী শিলভর অমখক্তমক লৌরকখি।

কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্তা অভিনাব বিন্দ্রনা মিটর ১০ গী রাইফল শুটিংদা লৌরকখিবা মেদল অদু ইন্দিয়াগী ওইনদি ইহান হানবা ইনি দভিজুএলদা ফংবা সনাগী মেদলনি। বোক্সিং মশান্নদসু ভিজেন্দর সিংহনা অহানবা ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদল মিদল ৱেথতা পুরককখি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা শরুক য়াখিবা মেম্বরসি পূন্না ৮৩ নি। খোঙচৎসিদদি ইন্দিয়া টিম্না ওলেম্পিক্স মেদল তরুক পুরকখি। লিশাং শিৎনা শরুক য়ারকপদা ওলেম্পিক্স গেমসতগী ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মেদল লৌরকপা চহী হায়রগদি 'লন্দন ওলেম্পিক গেমস ২০১২ দনি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্তা রেসলিংদা ব্রোঞ্জ ফংলকখিবা সুশিলকুমার, লন্দন ওলেম্পিক্তদি শিলভর লৌরকখি। সাইনা নেহৱালসু বেদমিন্টন্দা (সিঙ্গলসতা) ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। এম সি মেরিকোমসু বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী বোক্সর ওইনা ফ্লাইৱেথ কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ লৌরকখি। শুটিংদা ভিজয় কুমারনা শিলভর, গগন নরঙনা ব্রোঞ্জ ফংলকখি। লোয়নননা যোগেশ্বর দত্তসু রেসলিংদা ব্রোঞ্জ অমা লৌরকখি। অসুম্না পূন্না শিলভর অনী, ব্রোঞ্জ মরি, শুটিং, রেষ্টলিং, বেদমিন্টন, বোক্সিংদা মথংশিংনা লৌবা ঙম্লকখি। অদুগা হন্দক্তা লোইশিনখিবা রিও ওলেম্পিক ২০১৬ তদি ইন্দিয়ানা ফংলকখিবসিনা শুপ্নতংগী ওলেম্পিক মেদল অনীখক্তংনি। সক্সি মালিক্লা রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ অমা (কেজি ৫৮ গী কাঙলুপ্তা) অদুগা সট্টলর পী ভি সিন্ধুনা শিলভর মেদল অমা পুরকখি। ওলেম্পিক গেমসতা শাংলবা চহী কয়া অসিদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা মেদল মশীং অসি য়েংলুরগদি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস অসি অদুক্কী মতিক হন্থবা থাক্তা লৈরি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং স্পোর্টসতা অখন্নবা মিৎয়েং খরা চঙলগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপসিমদি থাগৎনিংঙাই ওই। শান্ন খোৎনবদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা নীয়ম চুম্না পূক্নিং ৱাখল থাদরক্লগদি ওলেম্পিক মেদল খরদি মশীং শোয়দনা হেনগৎলকপসু য়াই।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –১৮

1. ৱিমব্লেদন বোইজগী চেম্পিয়ন ওইবা অহানবা এসিয়ন মচা অদু কনানো?
2. মণিপুরদা পাঙথোকখিবা কুমজা ১৯৯৯ গী নেসনল গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী নোংথোম্বম মায়পাক সিংহনা মৈরা চুখৎখি। কুমজা ১৯৮৫ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা (নেহরু ষ্টেদিয়মদা) নেসনল গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা কনানা মৈরা চুখৎখি?
3. কুমজা ১৮৯৬ তা এথেন্সতা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসগী মরাথোনগী অরাপ্পা অদু কয়ানো?
4. World Wild Life Fund গী কো ফাউন্দর ওলেম্পিক্কী মেদল ফংখিবা নুপা অদু কনানো?
5. ফোসবুরি ফ্লোপ (Fosbury flop) হায়রগা করিবু খঙনবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৭ কী পাউখুমশিং

(১) পেরিস ওলেম্পিক ১৯০০ (২) অৱাং কোরিয়ানা জকার্টাদা কুমজা ১৯৬৩ দা পাঙথোকখিবা GANEFO দা শরুক য়ারুবগীনি। (৩) ভিজয় অম্রিটরাজ (৪) মুক্নাগা মরী লৈনৈ (৫) পোল ভোল্ট

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৭ কী পাউখুম চুম্না পীবীরকখিবা মীওইশিংদি

(১) খ্বাইরাকপম অরুনকুমার সিংহ, ঙাইখোঙ খুল্লেন মনিং লৈকায় (২) থোকচোম রবিচন্দ্র, কোংবা লাইশ্রম লৈকায় (৩) কৈশাম রোনাল্ড সিংহ, কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় (৪) এম দি অজমির, শঙ্গাইয়ুম্ফম (৫) তেন্সুবম সঞ্জয়প্রকাশ, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় (৬) থৌনাওজম থোই চনু, কৈরক ময়ায় লৈকায় (৭) কৈশাম মথঙবী, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা *(৮) সোংনৈরিল কোম, ককচীং মান্তক* (৯) রতন মুতুম, নিয়র হৈঙাং পি এস

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-১৭ কী ৱিন্নর

*সোংনৈরিল কোম, ককচীং মান্তক* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

### খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

থা অসিগী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

**RD Grafix**
Printing & Signage Advertising
TIN : 14923448178
CST : 14923248219
Sagolband Nepra Menjor Leikai, Imphal-795001
Email@rdgrafix2014@gmail.com

MANAGEMENT TRAINEES
(Golden Job Opportunity For Fresh Graduates)

A well established firm invites application from fresh Graduates willing to pursue professional career in Sales and Marketing for admission to 3 (three) months Management Trainees Program on **"Soft Skills for Sales and Marketing"** by experienced Resource. After successful completion of training period, candidate will be offered job based on their merit and performance. Hurry Limited Seats only.

And also we have an ongoing requirement of 2 staffs for iron welding with minimum of 1 year experience.

**INTERESTED CANDIDATES** may submit Resume with a recent passport size photograph on or before 29th August 2016 between 9 am - 5 pm. Interview will be held on 30th August 2016 from 11 am to 3 pm.

For more details contact **7085056257** or send resume to rdgrafix2014@gmail.com.

HL-P/9518/23-28 Aug
Sd/- Programme Co-ordinator

## অহানবা হেরা সিংহ মেমোরিএল ভেটেরান কাং টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) না শিন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দপতা থা অসিগী ৫ দগী কাংখূৎ তরুক্লা শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা অহানবা হেরা সিংহ মেমোরিএল মেন'স ভেটেরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এম ৱাই সি সিঙ্গরবোন্না এস এ ৱাই সি সোরোক অতিংবী পাঞ্জল ১৪-১১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এন কুঞ্জমোহন্না অম্পয়র ওইখি অদুগা কে ঐচ শান্তিনা স্কোরর ওইদুনা মেচ অদু মায় পাক্লা পাঙথোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং এল ঈ সি বাবুপড়া অমসুং এম আই টি এল অনীনা শান্নরগনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট ফার্ষ্ট দিভিজন অমসুং সুপর দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসি খুন্দ্রাকপমদা লৈবা কে সি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মোইরাংথেম ইবোবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে লোয়নননা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতনা উপা ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে।

টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা নেসু খুরাই গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা তপ্না তপ্না শান্নরক্তুনা মেচকী অহানবা হাফকী ২৪ শুবা মিনিটতা ঐচ প্রেমকুমারনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা নেসুগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লুবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা টি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগী ঐচ প্রেমকুমারনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাকখি।

মেচ অদুদা পি আর ৱাই এ খুন্দ্রাকপমগী এন জি সুনিল মেচকী ৩ শুবা মিনিটতা অদুগা এন মালেমঙানবা মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা সুপর দিভিজন লীগকী মেচতা উপা ক্যামগৈনা য়ু পি এস এ পুখাও গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা উপা ক্যামগৈগী অহানবা গোল টি ঐচ বোনার্দনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল সোনম য়ুজরনা মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল পিটলরনা মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা য়ু পি এস এ পুখাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৱাই নিলচন্দ্রনা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

## মৈরাবা লুৱাং ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন্দা ২ শুবা তাহৌরে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী মিৎয়েং মখাদা অন্ধ্র প্রদেশকী ক্রুপাতিদা হৌখিবা তাং ২৭ তগী চত্থরকখিবা সিফি ওল ইন্দিয়া জুনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা মণিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং অন্দর ১৭ বোইজকী সিঙ্গলসতা মায়থীদুনা অনীশুবা তাহৌরে।

মৈরাবা লুৱাংনা হৌখিবা থা অহুম অসিদা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল থংনা থংননা অহুমনল্লক চঙবা ঙমদুনা চাউনা মায় পাকখ্রে। অন্দর ১৫ গী রেঙ্কিং ৱান্দা লৈরিবা মৈরাবা লুৱাংনা অন্দর-১৭ কী সিঙ্গলস ফাইনেলদা এয়র ইন্দিয়াগী হৌজিক্লা রেঙ্কিং ৱান্দা লৈরিবা কার্টিকে গুলসন কুমারগী মখূৎতা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাখিবনি। অন্দর ১৯ বোইজ সিঙ্গলসতসু মৈরাবা লুৱাং ক্বালিফাইয়িংদা মঙাশুবা রাউন্দ ফাওবা মায় পাক্তুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক মসল পেন তৌবদগী রিটয়ার্দ তৌদুনা নীংবা কায়হৌখি।

HL-B/3252/8/8-




## হরিচরন ফুটবোল টুর্নামেন্টদা ঈচেল ক্লব অমসুং আর ৱাই সি দ্রো ওইখ্রে, জিলগাল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দেরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১২ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ অন্দর ১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ফোর এন হরিচরন ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং আর ৱাই সি রমগাইজাং দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা জিলগাল য়ুথ ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং আর ৱাই সি রমগাইজাং অনীনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচ অদু গোল ১-১ দা া দ্রো ওইখি।

মেচ অদুদা ঈচেল ক্লব দিবোংগী শান্নরোয় পাওসিন রোংমৈনা মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। ঈচেল ক্লবনা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা আর ৱাই সি রমগাইজাংগী শান্নরোয় চিনখুইহুইনা মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তানা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ দ্রো ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা জিলগাল য়ুথ ক্লবনা সিনলোন ক্লব গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা জিলগাল য়ুথ ক্লবকী শান্নরোয় ফিলিপসনা গোল মরি মেচকী ২৫, ২৭, ৪০ অমসুং ৭০ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

টিমদুগী শান্নরোয় ললসাংকুম অমদি জসুৱানা গোল অমমম মেচকী ১৯ অমদি ২২ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল তরুক শুখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা সিনলোন ক্লবকী অহানবা গোল চংখুমাংনা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অনীশুবা গোল সি ঐচ ভিক্তরনা মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা চনখি।

হয়েং অহানবা মেচ টুইশোন ফুটবোল ক্লব অমসুং য়াওল ক্লব চম্পানগরগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ ঈচেল ক্লব দিবোং অমসুং পি ৱাই সি ফাইতোলগা শান্নগনি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী অনৌবা ফিক্সর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা অৱাং সেকমাইদা লৈবা এস কে ৱাই সিগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নগদবা মেচ নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াদবদগী হয়েং ওইনা শান্নরগনি। লোয়নননা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী অনৌবা ফিক্সর অমসু ঙসি টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী কনভেনরনা থোকখ্রে।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি নৌনা থোকখ্রবা ফিক্সর মখাদা পীরি।

### 17th S Birendra Singh Memorial Super Division Football leaque 2016

**PARTICIPANTS:-**

1. YDO, Lamdong Konjeng Leikai
2. BMSC, Tabung Khok
3. THAU, Thangmeiband
4. SKYC, Awang Sekmai
5. CHIKL, Lilong Chajing
6. MPSC, 1st Bn. Manipur
7. DM RAO, Awang Sekmai
8. YWC, Malom

**Venue: SKYC Ground, Awang Sekmai**

**FIXTURE**

| Date | Time | Match | | |
|---|---|---|---|---|
| 29.8.2016 | 1.00 p.m | DM RAO (Red) | -Vs- | CHIKL (Yellow) |
| 29.8.2016 | 3.15 p.m | YWC (M) ((Red) | -Vs- | SKYC (Beef) |
| 31.8.2016 | 1.00 p.m | BMSC (Yellow) | -Vs- | THAU (SkyBlue) |
| 31.8.2016 | 3.15 p.m | YDO (Red) | -Vs- | CHIKL (Yellow) |
| 2.9.2016 | 1.00 p.m | MPSC (Blue&Red) | -Vs- | SKYC (Orange) |
| 2.9.2016 | 3.15 p.m | DM RAO (Red) | -Vs- | THAU (SkyBlue |
| 4.9.2016 | 1.00 p.m | YWC.(M) (Red) | -Vs- | BMSC (Yellow/Blue) |
| 4.9.2016 | 3.15 p.m | YDO (Beef) | -Vs- | SKYC (Orange) |
| 6.9.2016 | 1.00 p.m | CHIKL (Yellow) | -Vs- | THAU (SkyBlue) |
| 6.9.2016 | 3.15 p.m | MPSC (Blue/Red) | -Vs- | BMSC (Yellow) |
| 8.9.2016 | 1.00 p.m | DM RAO (Red) | -Vs- | YWC (M)(Yellow) |
| 8.9.2016 | 3.15 p.m | YDO (Yellow) | -Vs- | THAU (SkyBlue) |
| 10.9.2016 | 1.00 p.m | SKYC (Orange) | -Vs- | BMSC (Green) |
| 10.9.2016 | 3.15 p.m | CHIKL (Yellow) | -Vs- | YWC(M) (Red) |
| 12.9.2016 | 1.00 p.m | MPSC (Blue/Red) | -Vs- | DM RAO(Red/Meroon) |
| 12.9.2016 | 3.15 p.m | YDO (Yellow) | -Vs- | BMSC (Green) |
| 13.9.2016 | 1.30 p.m | THAU (SkyBlue) | -Vs- | YWC(M) (Red) |
| 14.9.2016 | 1.00 p.m | SKYC (Beef) | -Vs- | DM RAO (Red) |
| 14.9.2016 | 3.15 p.m | CHIKL (Yellow) | -Vs- | MPSC (Blue/Red) |

লেংশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চূড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স




HL-B/3223/29/07-28/08

If you Drink & Drive,
You will not only put YOURSELF in DANGER
but other PEOPLE also.



AN AWARENESS INITIATIVE BY
LIVSAV® DS
Syrup/Capsule
FREE
With Every Livsav Pack Get One Oajm Pain Relief Oinment Free
Hindustan Research Health Products Pvt. Ltd; Thane (Maharashtra).
CUSTOMER CARE:- 0250-2393627